# ট্রম্পনা মিলিটরি এক্সন লৌখৎকনি কিহনবদগী ভেনিজ্যুএলাদা মীচমশিংনা য়াওনা মিলিটরি দ্রিলশিং হৌখ্রে

করাক্কস, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী):
য়ু এসকী অথিংবশিং অমসুং প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা মিলিটরি এক্সন লৌখৎকনি হায়না কিহনখিববু নাচুংদবগী মওংদা ভেনিজ্যুএলাগী ট্রুপশিংনা লৈবাক অসিগী মীচমশিংদা রাইফল কাপ্পা, মিসাইলশিং কাপ্পা অমসুং খুৎলাই য়াওদনা খোঙ-খুৎ শীজিন্নদুনা লান্থেংনবনচিংবা তাকপী-তম্বীখ্রে।

থাংজ নুমিৎতা সোসিয়েলিষ্ট প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোনা নুমিৎ নীনিগী মিলিটরি এক্সরসাইজশিং (দ্রিলস) হৌদোকখিবগা লোয়ননা নেস্নেল বোলিভরিঅন আর্মদ ফোর্সেস (এফ এ এন বি) গী ৱার প্লেনশিং, টেঙ্কশিং অমসুং ট্রুপ ২০০,০০০ গা লোয়ননা রিজর্ভিষ্ট অমসুং সিভিলিয়ন ৭০০,০০০ ডিপ্লোই তৌখি।

মিলিটরি দ্রিলশিং হৌখিবগা চান্ননা কারাক্কসতা লৈবা মিলিটরি একাদেমী অমদা লান্মীশিংনা মীচমশিংদা য়েক্লবগা লান্থেংনবদা মখোয়গী খুৎলাইশিং, রাইফলশিং, বজুকাশিং অমসুং এন্টি-এয়রক্রাফট গনশিং করম্না শীজিন্নগদগে হায়বদু তাকপী-তম্বীখি।

চহী ৬০ শুরবী নুপী ইরিকা অভেন্দানোনা এসোল্টকী কোর্স অমদা অমেরিকানশিং মায়থীবা পীরগনি হায়না লাউদুনা মচেৎ মচেৎ তৎলবা দমি অমদা মহাক্কী রাইফলনা শাফু কন্না য়ৈখি। 'করিমত্তা থোক্লক্লোই হায়না ঐহাক্না থাজে তৌইগুম্বসুং ঐখোয় থোক্লকপা য়াবা খূদিংমক্কীদমক্তা শেম-শারে' হায়না মহাক্না এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।



ট্রম্পনা থা অসিগী অঙনবদা ভেনিজ্যুএলাগী মায়োক্তা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা তঙাইফদ্রবদি মিলিটরি এক্সন য়াওনা ওপসন কয়ামুক খন্নরি হায়না চেকশিনৱা ফোঙদোকখি। তুংদা য়ু এসকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা কিহনবগী ফিভমদু নেমথহনখি। ইকুই কুইদবা মতমগী মনুংদা মিলিটরি এক্সন অমৎতা লৌখৎকদবগী মওং লৈতে হায়না য়ু এস নেস্নেল সিক্যুরিটিগী এদভাইজর ঐচ আর মেকমাষ্টরনা ফোঙদোকখি। তৌইগুম্বসুং ট্রম্পকী অকনবা ৱারোলশিংনা মাদুরোনা তোয়না তৌবা ক্লেমদা হেন্না ইনোৎ হাপখি। ৱাশিংটননা মহাকপু চিংথুনবা শরৌ শিল্লে অমসুং মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা রিজর্ভশিংনি হায়না প্রুভ তৌরবা ভেনিজ্যুএলাগী থাউ কন্ট্রোল তৌবা পামই হায়না মহাক্না তৎতনা ক্লেম তৌখি।

গ্রেগোরিও ভান্ডেরামা কৌবা মশাগী চহী ২৩ শুরবা ভেনিজ্যুএলান অসিনা থাংজ নুমিৎতা লান্মীশিংদগী নোংমৈ কাপ্পা তমখি। মহাক মরৈবাক অমসুং ইমুংবু য়েক্লবদগী ঙাকথোক্লবা মফমদা লৈরিবনি হায়না ভান্ডেরামানা ফোঙদোকখি। "ঐখোয় করম্না রাইফল পায়গনি অমসুং করম্বা মতমদা কাপকনি হায়বা খঙদবা য়াই তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না মদু তম্লিবনি।"

# পাকিষ্টানগী কোর্টনা জরদারিগী মায়োক্তা লৈবা করপসন কেস ককথৎখ্রে

ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী):
করপসনগী অরিবা কেস অমদা লোনা য়াদবা এসেটশিং পায় হায়না মরাল শিখ্রবা পাকিষ্টানগী হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিফ অলি জরদারি এন্টি করপসন কোর্ট অমনা মরাল লৈতে হায়না লাউথোকখ্রে।

জরদারিগী কাউন্সেল ফারুক ঐচ নায়ীকনা জরদারিবু মরাল কোকপীনবা হায়জখি অমসুং মদু নেস্নেল একাউন্টে-বিলিটি ব্যুরো (নাব) কী কোর্টকী জষ্টিস খলিদ মাহমূদ রানজহানা য়াখি।

ফারুক নায়ীকনা হায়খি, চহী ৬২ শুরবা জরদারিগী মায়োক্তা পুখৎলকখিবা ডোক্যুমেন্ট অয়াম্বা ফোটোকোপীশিংনি অমসুং কোর্টনা য়ানিঙাই ওইদে। অরিবা কেস অমা ওইবনা ৱিটনেস অয়াম্বনা মখোয় অকুপ্পা অয়াম্বা নীংশিংবা ঙমদ্রে হায়রে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। ঙরাং মমৈথংদা জজনা কেস অদু ককথৎখি অমসুং হান্নগী প্রসিদেন্ট জরদারিবু মরাল লৈতে হায়না লাউথোকখি।

কেস অদু কুমজা ১৯৯৯ দা হৌখি, তৌইগুম্বসুং কুমজা ২০০৭ তা জরদারিগী মায়োক্তা লৈরিবা অতৈ কেস মঙাগা লোয়ননা ককথৎখি। মতমদুদা মহাক্কী লোয়নবী লৈখিদ্রবা বেনাজির ভুটো অমসুং হান্নগী ডিক্টেটর জেনরেল পর্বেজ মুশারফকী মরক্তা পোলিটিকেল দিল অমা পুরকখিবা মতুংদা কোর্টনা কেস অদু চৎনহনখিদবনি।



অদুমওইনমক দিল অদুগা লোয়ননা মতুং তাবা কুমজা ২০০৯ গী এম্নেষ্টিবু সুপ্রিম কোর্টনা রিজেক্ট তৌখি অমসুং প্রোব অমা ওর্দর তৌখি। তৌইগুম্বসুং লৈবাক্কী প্রসিদেন্ট ওইনা ইম্যুনিটি লৈবনা জরদারিগী মায়োক্তা কেস অমা লৌখৎপা য়াখিদে।

কেস অদু অমুক কুমজা ২০১৫ দা হৌখি অমসুং মমৈথংদা জরদারিগী মায়কৈদা ৱারেপ তাখি। মদু জরদারিগী মায়োক্তা লৈরিবা করপসনগী কেস তরুক্কী মনুংদা ইরোই লোইবনি। মহাক হৌজিক কেস অমৎতদা মরাল লৈত্রে।

জরদারিগী মচানুপী বখতাৱারনা সোসল মীদিয়াগী খুথাংদা কোর্টকী ৱারেপ অদুগী মতাংদা হরাও-তয়াম্বা ফোঙদোকখি। 'ইমরান খান অমসুং নৱাজ শরিফনা নাবতগী লোৎতুনা লৈরবসু ঐহাক্কী ইপা অসিফ অলি জরদারিগী মতম শাংলক্লবা অরোইবা কেসতা মহাকপু মরাল লৈতে হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা লোইশিনখ্রে। চহী ১১ চুপ্পা কনভিক্সন অমৎতা য়াওদনা লাকখি' হায়না জরদারিগী মচানুপীনা ইখি।

# নৱাজ শরিফনা কুমজা ১৯৭১ গী থৌদৌ অমুক হন্না লাকপা য়াই হায়না চেকশিনৱা ফোঙদোকখ্রে

লাহোর, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী):
মীয়ামগী মেন্দেট ইকাই খুম্নদবা তারবদি কুমজা ১৯৭১ দা থোকখিবগুম পাকিষ্টানবু অমুক হন্না মচেৎ তাহনবগী ফিভম অমা লাকপা য়াই হায়না লৈবাক অসিগী মফম তাখ্রবা প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। মহাকপু ডিসক্কালিফাই তৌখিবা সুপ্রিম কোর্টকী ৱারেপপু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

জুদিসিয়রিগী মায়োক্তা ওইবা মহাক অমসুং মহাক্কী পার্টিগী মীওইশিংগী ৱাঙাং-ৱাতাশিং ব্রোদকাষ্ট তৌবদা লাহোর হাই কোর্টনা অথীংবা থমখিবা মতুং নোংমা লৈরগা শরিফনা পেন্দবগী ৱাফমশিং ফোঙদোকখিবনি। মহাক অমসুং মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংনা মপান্দা প্রোপর্টিশিং থম্বগী মায়োক্তা চৎথবা পানামা চে-চাংগী ইনভেষ্টিগেসনদা শরুক য়াশিনবগীদমক্তসু শরিফনা পাকিষ্টানগী ইন টলিজেন্স এজেন্সীশিংদসু টার্গেট তৌদুনা ঙাংখি।

লৈবাক অসিগী পুৱারীদা ইন্টলিজেন্স এজেন্সীশিং - ইন্টর সর্ভিস ইন্টলিজেন্স অমসুং মিলিটরি ইন্টলিজেন্সকী মীহুৎশিংনা টেররিজম অমসুং নেস্নেল সিক্যুরিটিগা মরী লৈনবা কেস থিজিনবদা জোইন্ট ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (জে আই টি) দা য়াওশিনবসি মসিনা অহানবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

লাহোরদা লোয়রশিংগী কনভেন্সন অমদা ৱা ঙাংলদুনা শরিফনা হায়খি, সুপ্রিম কোর্টনা জুলাই ২৮ দা মহাকপু ডিসক্কালিফাই তৌনবা লৌখিবা ৱারেপতু মীয়াম্না য়াদে। "মসিগী ৱারেপ অসি লৈবাক অসিগী পুৱারীদা 'চুমদবা ৱায়েল' অমা ওইনা নীংশিংনরগনি" হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, লৈবাক অসিগী চহী ৭০ গী পুৱারীদা প্রাইম মিনিষ্টর ১৮ মক মখোয়গী মতমশিং লোইশিনহন্দনা ময়ূম-ময়ূমদা হলহনখি। হৌজিক মসি থিংবা তাই অমসুং ঐখোয়না বেলোটপু শোয়দনা ইকায়খুম্ননবা হোৎনগদবনি। মীয়ামগী ভোটপু ইকায়খুম্নদবা তারবদি লৈবাক অসিবু অনী থোক্না খায়দোকখিবা কুমজা ১৯৭১ দা থোকখিবা থৌদোক অদুগা মান্নবা অমা অমুক থোক্লকপা য়াবগী অকিবা লৈ।

'প্রোব্লেম অসি য়েংশিন্দনা ঐখোয়না মমাঙলোমদা চঙশিনবা য়ারোই' হায়না শরিফনা চেকশিন্না হায়খি। পাকিষ্টানগী মায়োক্তা নীংতম লাল অমা থোক্তুনা কুমজা ১৯৭০ দা বাংলাদেশ শেমখিবগী মতাংদা পল্লদুনা শরিফনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

'সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েলগী মতুংদা ঐহাক্না ফম থাদোকখিবা তারবসু ঐহাক্না নৎত্রগা পাকিষ্টানগী মীয়াম্না মদু য়াবা ঙমদে। ঐহাক্কী মিসনদি ডিমোক্রেসিদা অপনবা পীবা অমসুং মীখলদা মীয়াম্না থাগৎলকপা লূচিংবশিংবু ময়ূমদা হলহনবগী থৌওং অসি লেপহনবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

চৈরকসিদা, শরিফকী ইমুংনা সুপ্রিম কোর্টকী ভর্দিক্ট অদুবু শীংনখ্রে। মহাক্কী মচানুপাশিং হুশাইন অমসুং হশন, মচানুপী মরিয়ম অমসুং মমাকনুপা কেপ্টেন (থবক্তগী পোত্থারবা) মুহাম্মদ সাফদরনা এদভোকেট সালমান অক্রম রাজাগী খুথাংদা সুপ্রিম কোর্টতা রিভিয়ু পিটিসন অমা ফাইল তৌখ্রে।

পিটিস্নরশিং অসিনা মেম্বর তরুক্কী জে আই টিনা থীজিনখিবগী মওং অদুবু শীংনখি। সুপ্রিম কোর্টনা জে আই টিদা পানামা পেপর্সকী ৱাথোক থিজিনবগী থবক শিন্নখিবনি। সুপ্রিম কোর্টনা তাখিবা মসিগী জজশিংগী মনুংদা অমনা নেস্নেল একাউন্টেবিলিটি ব্যুরোগী প্রোসিদিংস য়েংশিনহন্নবগী ৱারেপ্পুসু পিটিস্নরশিং অসিনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

শরিফনা ভর্দিক্ট অদু মহাক্কী কাউন্সেল খ্বাজা হরিসকী খুথাংদা হান্ননা শীংনখ্রবনি। হরিসনা কোর্টকী রুলিং অদুগী মায়োক্তা রিভিয়ু পিটিসন অহুম ফাইল তৌখি।

# রাখিনেদা ঈরাং কনখৎলকপদগী মুস্লিম নৎতবা মীওই লীশিং কয়া শাফগদবা মফমশিংদা হোংখ্রে

য়াঙ্গোন/কোক্স বাজার, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী):
অৱাং নোংচুপ থংবা রাখিনে ষ্টেটতা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং লালহৌবশিংগী মরক্তা কন্না খূৎ থোক্লরিঙৈ মরক্তা য়ামদ্রবদা মুস্লিমশিংদা নৎতনা খুঞ্জা ৪,০০০ শাফগদবা মফমশিংদা পুথোকখ্রে হায়না ম্যানমার গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে। নোংমাইজিং নুমিৎতা রোহিংয়া মুস্লিম লীশিং কয়া বোর্দর লান্না বাংলাদেশতা চেনশিন্নবা হোৎনরিঙৈগা ইরোয়ননা গভর্নমেন্টনা ঈরাং থোক্লিবা মফমদগী মুস্লিম নৎতবা মীওইশিং হোন্দোকপগী খোঙথাং লৌখৎলকখিবনি।

রোহিংয়া লালহৌবশিংনা শিন্নদুনা মফম কয়াদা এটেকশিং চৎথখিবদগী থোক্লকখিবা ঈরাংদুদা শিখিবা মশিং লালহৌবা ৮০ রোম অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মেম্বর ১২ য়াওনা ৯৮ য়ৌখ্রে হায়না গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখি।

অৱাং নোংচুপ ষ্টেট রাখিনেদা মিলিটরি অমসুং রোহিংয়া চা কয়াগী মরক্তা শোক্লরিবা লাল অদু থাংজ নুমিৎতসু মখা তানা চৎথখি। খ্বাইদগী শাথীবা মওংদা খূৎ থোক্লখিবদি মরুওইবা টাউন মুংদোগী মনাক্তনি হায়না মফমদুগী মীওইশিং অমসুং গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখি। ঈরাং মখা চৎথখিগনি হায়বগী মীপাইনরবা অয়াম্বনা নুপী অমসুং অঙাংশিং ওইবা রোহিংয়া লীশিং কয়া ম্যানমার অমসুং বাংলাদেশ তোঙান তোঙান্না তাহল্লিবা নাফ তুরেল অমসুং কংফালগী বোর্দরদা চঙশিন্নখি।



বোর্দরদা লৈরিবা রোইটর্জগী পাউমীশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ম্যানমারগী মায়কৈদগী নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তাখি। বোর্দরগী বাংলাদেশকী মায়কৈদা লৈরিবা খুদক্কী ওইনা শারিবা কেম্পশিংদা লৈরিবা রোহিংয়া রিফ্যুজীশিংনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না ইরাই নুমিৎতগী মীওই ২০০০ রোম বাংলাদেশ য়ৌশিনবা ঙম্লে।

খ্বাইদগী নৌবা ঈরাং অসি লমদম অদুদা হৌখিবা চহীগী ওক্টোবরদা মান্নবদি ওইরগা খরা পিক্না চৎথখিবা রোহিংয়া লালহৌবশিংগী এটেক অমনা থোকহনখিবা মুক্লবগী ফিভম অমা খঙহৌদনা চাউথোরকপগী ফিভম অমনি। মমাঙদা চৎথখিবা লালহৌবশিংগী এটেক অদু গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী শাথীরবা মিলিটরি ওপরেসননা পাউখুম পীখি। ওপরেসন অদুদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীওইবগী হক কা হেন্না খোঙ্গাওনবগী পাউদমশিংনা ৱাথোক অমা ওইরকখি।

কাংখোং চাইবা অমসুং চঙশিনবা ইয়া-য়াদবগী ফিভমদা কুপ্না য়েংশিনবদা অৱাবা অমা ওইরবসু এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকখি মদুদি, খ্বাইদগী নৌবা এটেকশিং অদু অদুক্কী মতিক পাক-শন্না চৎথখি মদুদি মখোয়দু লালহৌবগী এটেক অমগী মহুৎতা ঈহৌ অমা নৎত্রগা অপূনবগী ওইবা লালহৌ অমগা মান্নখি।

লালহৌবশিং অমসুং মীচমশিং তোঙান তোঙান্না খন্দোকপদা অৱাবা ওইরে হায়না আর্মিগী সোর্স অমনা ফোঙদোকখি। "খুঞ্জা খূদিংমক লালহৌবশিং ওনখ্রে, মখোয়না তৌরিবসি রেভলুসন অমগা মান্নে। মখোয় শিরবসু শিদ্রবসু কাইদে হায়বগী মওং মাল্লি। মখোয়গী মরক্তগী কনা কনানা লালহৌবশিংনো হায়বা ঐখোয়না ঙমদ্রে" হায়না সোর্স অসিনা ফোঙদোকখি।

# পেশাৱার, ক্বেটাদা টালিবানগী লীদরশিং লৈ হায়বা য়ু এসনা খঙই : নিকোলসন

কাবুল, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী):
ক্বেটা অমসুং পাকিষ্টানগী পেশাৱার সিটিদা অফঘান টালিবানগী লূচিংবশিং লৈ হায়বসি য়ু এসনা খঙই হায়না অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা য়ু এসকী ফোর্সশিং অমসুং নেটোগী কম্মান্দর জেনরেল জোন নিকোলসননা হায়খ্রে।

য়ু এসকী কম্মান্দর অসিনা হায়খি অফঘানিষ্টানগী মপানদা টেররিষ্টশিংগী লোৎফম লৈবগী ৱাফম অসি তরাইনা লৌবা য়ারোই অমসুং য়েংশিনবগী তঙাইফদবা লৈ।

টেররিষ্টশিং অমসুং লালহৌবশিংবু শৌগৎপা হন্থগদবনি অমসুং লেপকদবনি হায়না মহাক্না থাংজ নুমিৎকী ইন্টরভ্যু অমদা টোলো ন্যুজদা হায়খি। মরুওইনা ঐহাক্না অফঘানিষ্টান মনুংগী থবক থৌওংশিং য়েংশিল্লি তৌইগুম্বসুং অতৈ ওফিসলশিংনা পাকিষ্টানদা লালহৌবশিং অমসুং টেররিষ্টশিংগী লোৎফমশিং লৈবগী মতাংদা য়েংশিল্লি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।


ক্বেটা সুরা, পেশৱার সুরা হায়রিবা সুরাশিং অসি পাকিষ্টানগী সিটিশিংদা লৈবা অফঘান টালিবান লীদরশিংগী লৈফমনি হায়বসি ঐখোয়না খঙই হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা নিকোলসননা হায়খি মদুদি, য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা অফঘানিষ্টান অমসুং সাউথ এসিয়াগী অনৌবা ষ্ট্রেটেজি অমা লাউথোকখিবদগী কম্মান্দর অমা ওইনা মহাক্কী অনৌবা পোলিসি অমা লৈ। মদু কন্দিসনশিংদা য়ূম্ফম ওই, মতমদা য়ূম্ফম ওইদে।

ট্রম্পনা কম্মান্দর-ইন-চীফ ওইনা অহানবা ওইনা ৱা ঙাংলদুনা অফঘানিষ্টানদা অহেনবা ট্রুপশিং থাবা অমসুং লৈবাক অদুদা ইন্দিয়াবু মরুওইবা থৌদাং অমা লৌহনবগী ৱাফম হৌদোকখি। মহাক্না পাকিষ্টানবুদি 'কাংখোং চাইহল্লিবা এজেন্টশিংদা' লোৎফম পীবগীদমক্তা চৈ থাংখি।

টালিবানবু টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমা ওইনা মহাক্না উৱা হায়না হংবদা নিকোলসননা হায়খি, মখোয়না টেররিষ্টকী থবক কয়া পাঙথোকই অমসুং টেররিষ্টশিং য়াই। মমাঙদা টালিবানগা অলকাইদাগা মরী লৈনখিবদসু মহাক্না খূৎ থীনখি। টালিবাননা ৱাশিংটনগা পিছ প্রোসেস অমা চৎথরকপা য়াই হায়বগী থাজবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা নিকোলসননা হায়খি, মিলিটরিনা অফঘানিষ্টান মনুং অমসুং মপানদা লৈরিবা মখোয়গী লোৎফমশিংদা মখা তানা প্রেসর পীখিগনি।

# টাইফুন হাটোগী মতুংদা হোং কোং, মাকাউদা নোংলৈ-নুংশিৎ পাখরনা নোং কন্না চুহনখ্রে

হোং কোং, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী):
হৌজিক ফাওবগী রেকোর্দতা খ্বাইদগী মপাঙ্গল লৈরবা টাইফুনশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা হাটোনা মাকাউদা শাথীবা ঈচাউ অমসুং অমাঙ-অতা কয়া থোকহনখিবা মতুং নুমিৎ মরিনিখক কান্নরগা নোংমাইজিং নুমিৎতা ট্রোপিকেল নোংলৈ নুংশিৎ পাখরনা হোং কোং অমসুং মাকাউদা অকনবা নুংশিৎ অমসুং নোং পুরক্লে হায়রি। গেমব্লিং হব মাকাউদা টাইফুন হাটোনা য়ামদ্রবদা মীওই ১০ শিহনখিবনি। নুংশিৎশিং কনশিল্লকখি অমসুং নোং কন্না চুরকখিবগা লোয়ননা সিটি অনীমক্না নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা মখোয়গী অহুমশুবা খ্বাইদগী ৱাংবা ৱেদর ৱার্নিংশিং ওইরিবা ষ্টোর্ম সিগ্নেল ইসূ তৌখ্রে। অকনবা নুংশিৎশিং অমসুং নোংজু অদুনা ঈশিং ঈপাক্তা ঈথক ঈপোম চাউনা হৌহনবদগী অনেম্বা এরিয়াশিং ঈশিং চাউনা থুমজিল্লকপা য়াই হায়রদুনা মীয়ামদা মীকুপ-নাহুম শিংনা লৈনবা ওথোরিটিশিংদা খঙহনখ্রে হায়রি।



হোং কোংগী ৱেদর ওবজর্ভেটরিনা হায়খি, টেরিটরি অদুগী খা থংবা শরুক্তা মরক মরক্তা নুংশিৎশিং নোংলৈ-নুংশিৎকী শাফুগা লোয়ননা শিৎচিল্লকখি। সিটিগী নোংচুপ্তা এয়রপোর্ট লৈবা লান্টাউ ঈথৎকী অৱাংবা মফমদা নুংশিৎশিং হরিকেনগী শাফুগা লোয়ননা শিৎচিল্লকখি।

টাইফুন হাটো লাকখিবা মতুংদা সিটিশিং অদুদা মীয়াম্না মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিন্ননবা হোৎনরিঙৈদা নোংলৈ-নুংশিৎ পাখর শিৎচিল্লক-খিবনি। হোং কোংদা অমাঙ-অতা থোকখিদ্রবসু হাটোনা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা গেমব্লিং মফম ওইরিবা মাকাউদা অমাঙ-অতা চাউনা থোকহনখি। য়ামদ্রবদা মীওই ১০ শিহনখি অমসুং ২৪৪ না অশোক অপন নংখি। হাটোনা সিটি অদুদা নুমিৎ কয়ানি ঈশিং অমসুং পৱার ফংহনখিদবদগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী অশোয়বা কয়াসু খঙবা ঙমখি।

মথংগী পূং খরগী মনুংদা পর্ল তুরেলগী এসট্যুআরিগী নোংচুপ্তা পাখর থুংলরগনি হায়না হোং কোং ওবজর্ভেটরিনা ফোঙদোকখি।

# বকিংহম পেলেস এটেক - মীওই ১সু ফাগৎখ্রে

লন্দন, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী):
টেরর এটেক অমনি হায়না চিংনবা ফোঙদোক্লবা বকিংহম পেলেসকী মপানদা থোকখিবা থৌদোক অমগা মরী লৈননা অনীশুবা মীওই অমা ফারে হায়না স্কোটলেন্দ য়ার্দনা ফোঙদোকখ্রে। থৌদোক অদুদা থাঙ পায়বা নুপা ১না পুলিসতা এটেক তৌখিবনি।

মশাগী চহী ৩০ শুরবা মীওই অদু নোংমাইজিংগী অয়ুক্তা ৱেষ্ট লন্দনগী মফম অমদা ওফিসরশিংনা ফাখি হায়না স্কোটলেন্দ য়ার্দনা ফোঙদোকখি। পুলিসনা মফমদুদা থিবা-হুম্বগী থবক চৎথখি হায়রি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী অহিংদা চৎথখিবা এটেক অদুদা নুপা অমনা পেলেস অদুগী মপানদা পুলিসকী ভেন অমা তম্না মহাক্কী কার থৌজিনখি। খুৎলাই পায়দবা ওফিসর খরনা মহাকপু থৎলুবদা নুপা অদুনা মহাক্কী কারগী পেসেঞ্জর তোংফম নাকলগী খোঙথাফমদা লোৎলকখিবা ফুট মরি শাংবা থাঙশাং লৌথোকখি। ওফিসরশিংনা চহী ২৬ লোমগী মীওই ওইবা বেদফোর্দসাইঅরদগী সস্পেক্ট অদু সী এস স্প্রেগা লোয়ননা লাকশিনখি। থৌদোক অদুদা মীওই অহুম অশোক-অপন নংখি।

অনীশুবা মীওই অদু টেররিজমগী থবকশিংদা চৈন্নে হায়না চিংনবদা য়ূম্ফম ওইরগা ফারগা থমখি। মেটকী কাউন্টর-টেররিজম কম্মান্দগী ওফিসরশিংনা মহাকপু ফাখিবনি।

এটেক্কর অদু মখা তানা সেপ্টেম্বর ১ ফাওবা ডিটেন তৌনবগী ৱারেন্ট অমা ফংলে হায়না স্কোটলেন্দ য়ার্দনা ফোঙদোকখি।

HelpingHand Health Care
Keisampat Konjeng Hajari Leikai, Near: Oil Pump, Tiddim Road, Imphal West.
Phone: 7085500324 / 0385-2051738
Acupressure and Massage Treatment
OPD DISCOUNT
25% for 50 yrs. and above & 40% for BPL Family
Time from 6 a.m. - 2 p.m.
* খ্বাঙ নাবা, * লু-তাং চিকপা, * কলাপ মরী শোনবা,
* পেরালাইসিস, * কোক চিকপা, * খোঙ-খুৎ চিকপা-নাবা ..etc
- FIRST COME FIRST SERVE - " COME AND BE HEALED "
HL-B/4076/15to30

# 'চাইনিজ এয়রফোর্সকী লোং রেঞ্জ দ্রিলশিং করিগুম্বা অমৎতনা থিংবা ঙম্লোই'

বৈজিং, ওগষ্ট ২৭ (এজেন্সী):
করিগুম্বা মখল অমৎতগী খূৎ থিংজিল্লকপগী মওং অমৎতনা চাইনিজ এয়র ফোর্সকী অশানবা দ্রিলশিংদা অপনবা পীবা ঙম্লোই হায়না চাইনাগী ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে। য়ূম্লোন্নবা টাইৱান অমসুং জপানবু হঙ্গৈইহনখিবা মওংগী অতোপ্পা এক্সরসাইজ রাউন্দ অমা লাউথোক্লদুনা ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।



এয়রফোর্সনা শগোলশেন নুমিৎতা মখা তানা অশাংবা রেঞ্জগী এক্সর-সাইজশিং পাঙথোকখি হায়না মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি তৌইগুম্বসুং মদু কদায়দা পাঙথোকখিবনো হায়বগী মতাংদা অকুপ্পশিংদি ফোঙদোকখিদে। চাইনিজ এয়রক্রাফটকী এক্সরসাইজশিং অদুগী মতাংদা জপানগী মায়কৈদগী মসিগী টেরিটরিগা নক্না বোমরশিং পাইশিল্লক-খিবগীদমক নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

অসিগুম্বা 'মহৌশাগী ওইবা' দ্রিলশিং অসি ইন্টরনেস্নেল লো অমসুং চৎনবীশিংনা য়াই অমসুং লাল শোক্লবা ঙম্বগী ফিভম ফগাৎহন্নবা তৌবদা অমসুং মিলিটরিগী পাঙ্গল হেনগৎহনবদা চঙই হায়না ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা মখা তাখি।

'অপনবা পীরকপা কয়া থেংনরবসু চাইনিজ এয়রফোর্সনা হান্নগুম্না মখা তানা দ্রিলশিং পাঙথোকখিগনি; ঐখোয়বু শেন্নরকপা প্লেনশিংগা পাইমিন্নরবসু চাইনিজ এয়রফোর্সনা মিলিটরি প্লেন কয়া মহৌশাগুম পাইগনি হায়না এয়র ফোর্সকী স্পোক্সমেন অমা পল্লদুনা মিনিষ্ট্রিনা হায়খি। জপানগী গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখিবা অমদা শগোলশেন নুমিৎতা ইষ্ট চাইনা সীদগী পাইরকখিবা চাইনিজ বোমর ৬ পেসিফিক ওসিন তম্না পাইবদা জপানিজ ঈথৎশিংগী মনাক্তা লানখি হায়খি।

চাইনিজ মিলিটরি এয়রক্রাফটনা লম্বীসিদা পাইবসি মসিনা অহানবনি হায়না ইরাই নুমিৎকী রেগ্যুলর প্রেস ব্রীফিং অমদা মিনিষ্টর ওফ ডিফেন্স ইটসুনোরি ওনোদেরানা ফোঙদোকখি। ডিপ্লোমেটিক চেন্নেলশিংগী খুথাংদা থৌওং অদুগা মরী লৈননা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

HELPINGHAND GROUP
Rs.4,00,000/- (4 Lakh)
Lottery cum Tender - STOP PAYMENT SAVING SCHEME -
Half Monthly (2wise Draw in a month)
1. Per Draw Amnt. Rs.1000/-@ Lottery WINNER Rs. 4 Lakh.
2. Per Draw Amnt. Rs. 500/-@ Lottery WINNER Rs. 2 Lakh.
Few Shares are remaining - Join till 5th September 2017
অপীকপা শেন্দোইদা GROUP শোনসু পীজরি, লৌবীয়ু
HelpingHand Finance Service ( Office hrs. 10 pm - 5pm ) Please Visit Office.
( Govt. Registered) Head office: Paona Bazar, The Manipur Women's Co-operative Bank Building, Imphal, Phone. 0385-2051738/ 8974877505
HL-B/4076/13 to 27,28